## মণিপুরীশিং তেলেন্ট লৈজরবসু অশোয়বা অমদি লোয়নদুনা অদুমক চৎপগুম তৌরিঃ চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল,ওক্টোবর ৮ (এসএন এস)ঃ
মণিপুরীশিং অসি মশাগী হৈ শিংজবা অসি পোকপদগী লোয়নরব্রবসু ঐখোয়দা অশোয়বা অমদি লোয়নদুনা অদুমক চৎপগুম তৌরি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিরেনগী ৩৬ শুবা লিংখৎখিবগী নীংশিং থৌরমদা ঙরাং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী খা পোৎশঙবমদা থোকখিবা থৌদোক অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, নুপা অমসুং নুপী অসি লমচৎ কান্বা থবক তৌরম্মী হায়রবসু মখোয়বু ফারগা পুলিসতা মখা তাবা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা শিন্নখিবা য়াই।

মদু নত্তদুনা মীয়াম অদুনা হিংচা য়াইতম্বগী মওংদা ময়াম চঙদুনা চত্থখিবা থৌওং, মমাবু মীয়ামদগী কঞ্জনবা হোৎনজরিবী পীক্লিবী নুপীমচা অদুদা তমথিনা ফু চৈদুনা তৌবিখিবা অসি উবদা থম্মোয় শোক্লিঙাই ওই। খুন্নাই অসিদা থকসি খাশি, থৌগল্লোন ৱাৎশিল্লকপগী মমি চাউনা তারিবা অসি হোংদোকহনবা চঙই হায়খি।

লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী হিংনবগী লম্বীদা মতেং পাঙনবা স্কিম কয়ামরুম পায়খৎলিবনি। লৈঙাকনা ষ্টার্ট অপ হৌদোক্তুনা লুপা ক্রোর ১ ফাওবা শেন্থং পীরিবনি। মসিগী মনুংদা চাদ ৩০ দি গ্রান্ট ওইনা পীরিবনি। অথুবা মতমদা খুন্নাই অসিদা শোখরবা কাঙলুপ ওইনা লৈরিবা ও বি সি অমসুং মাইনরিতিশিংগীদমক ষ্টেন্দ অপ স্কিম কেবিনেটনা ৱারেপ লৌরবা মতুংদা পায়খৎনবা হোৎনরিবনি হায়খি।

খুন্নাই অসিদা শোখনা হিংলিবা মীওইশিংগী শেন্মীৎলোনগী ফিভম ফগাৎলবা মতমদা মণিপুরদা ইংথ তপথবা লাক্কনি। লমদম অসিদা বন্দ, ব্লোকেন্দ চাদ ৯০ দি হন্থরবনি। লৈঙাক্ক মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোক্লিবা অসি মপুং ওইনা মীয়ামগী পেন্দবা নুংঙাইতবশিং অদু ফোঙদোক্তুনা খঙদোক্লবা হোৎনবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, লমদম অসিদসু অইং অশাগী ফিভমদা অহোংবা লাকপগী চৈথেং চাউনা নংলে। চহী অসিদা ষ্টেট অসি ইকংগী অৰাবা মায়োক্লরে হায়না লাওথোকখিবনি। লোয়ননা অকোয়বগী ফিভম কায়হনদনা থম্বা ঙম্নবগীদমক মণিপুর গ্রিন মিসনগী মখাদা পাক শন্না উ থাবগী থবক চত্থদুনা লাক্লিবনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামগী অৰাৎ অপাগী মতাংদা হায়, কৈবী এদেদ হায়স্কুল অসি মপুং ওইনা মহৈরোই মশীং লৈবা অমসুং তঙাইফদবা ফিভম লৈরবদি দিপার্টমেন্টকা তান্নরগা মপুং ফাবা হায়স্কুল অমা ওইনা লৌশিনবা য়াব্রা হায়বদু কেবিনেটতা খন্নরগা য়েংশিনগনি। তরেৎখুল ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসি কুমজা ২০১৮-১৯গী ৱার্ক প্রোগ্রামদা হাপখ্রে। ইরিল তুরেল মথক্তা শারিবা থোঙ অসিসু শেমজিন্নবা লুপা লাক্ষ ১৭ হাপ্তুনা লৈরে হায়খি।

য়াইবিলেন চিলড্রেন হোম অসি লৈঙাক্লা পীরিবা ক্রাইটেরিয়া অদু ফংবা ঙম্ব্রা হায়বদু য়েংলগা লৈঙাক্কী মতেং খরদং ওইরবসু ফংবা য়ানবা হোৎনগনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, মহাক্কী লৈঙাক অসিনা ইম্ফাল সিটি মনুংদা হঙ্গাম মপুল অমা অনীগা লোয়ননা ফল্লিবী চহী ৬০গী মথক ওইবরবী নুপীশিং অসি সর্ভে অমা চত্থবা মতমদা খরদি মচা মশুশিংনা নিংথিনা য়েংশিনবীদবা, খরনা হৈনবী ওইনা পামজবগী চৎচবা য়াওরম্বা থেংনৈ।

খুন্নাই অসিদা শোখবা পুন্সি মরেল অমদা হিংলিবা মীওইশিংগী ফিভম ফগৎলবা মতমদা নুংঙাই য়াইফবা লৈবাক অমা ওইবা ঙমগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা সর্ভে অমা চত্থরবা মতুংদা অনা লায়েংবদা খুদোং চাহনবগীদমক সি এম ঐচ টি স্কিম অসি হৌদোকখিবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা অখন্নবা মীথুং, নেপ্রম নুংকাঙবা, লুচিংবা য়াইবিলেননা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। জে নিমসকী মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট ডা. নিঙোম্বম জিটেন্দ্র য়াওনা অতৈ মশক নাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

## ‘লৈঙাক্কী অরেপ্পা ৱারেপ অমা খঙহন্দ্রিবা ফাওবা খোঙজং চঙশিনখিগনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮(এস এন এস)ঃ
হৌখিবা ওক্টোবর ৩ গী নোংঙাল্লমদায় পুং ৩ মুক তারকপদা রিমসকী কেজুয়েল্টি দিপার্টমেন্টকী ই সি জি লৌফমদা টেক্নিসিয়ান ওইনা লৈবা থোকচোম সুরজ সিংহনা চহী ১২ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমদা নত্তবা লিচৎ চত্থখিবা অদুদা লৈঙাক্কী ওইবা চপ চাবা ফীরেপ অমা থম্বীয়ু অমদি মতীক চাবা এক্সন লৌখৎপীয়ু নৎত্রবদি জে এ সিনা মীয়ামগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী খোঙজ চঙশিল্লগনি হায়না থৌদোক অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সি এগেন্স দ রেপ ইন্সিদেন্ট ওফ রিমস হোস্পিটালগী কনভেনর কোন্সম রাজ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তানা হায়, হন্দক রিমসতা থোকখ্রিবা তমথীরবা থৌদোক অসি অৰাং নোংপোক্কী ওইনা অহানবনি হায়বা য়াই। অনাবশিংনা হোস্পিটালদা য়ৌরক্লগা নুংঙাইতবা অদু কোক্লগনি হায়বগী ৱাখল অদু থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা মীয়ামদা মীপাইবা অমদি চিংনবা পোকহল্লে।

অসিগুম্বা মীওইবগী ৱাখল্লোন চেন্দবা মীওই অসিগী মথক্তা লৈঙাক্ল চপ চাবা এক্সন লৌখৎকন্দবনি। মসিদসু নত্তনা মীওইবগী অৰা অনাগী সেবা তৌনবা, মতেং পাঙনবা লৈরিবা হোস্পিটালশিংনা ষ্টাফ লৌবা মতমদা কাঙলোন চুম্না লৌবিয়ু।

জে এ সিনা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীশক অসিগী থবক চঙবগী ওর্দর অমদি মহাক্কী মরী লৈনবা দোকুমেন্টশিং থিগৎলুবদা হোস্পিটাল অসিদা মহাক্কী এপোইটমেন্ট ওর্দর অমদি থা ৩ গী ই সি জি ট্রেন তৌখিবগী সার্টিখিকেট খক নত্তনা অতে অতোপ্পা অমত্তা থেংনদে। এপোইন্টমেন্ট ওর্দর অদুদসু মহাক্কী চপ চাবা দিজিগনেসন হাপ্লমদে। মসিনা হোস্পিটাল অসিগী থবক লৌবদা অশোয়বা অরানবা কয়া য়াওরব্রা হায়বা ফাওবা চিংননিঙাই ওইহল্লে হায়খি।

হীরম অসিগী মতাংদা জে এ সি অসিনা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখ্রে। মেমোরেন্দম অদুদা থৌদোক অসিগী মতাংদা নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা থিজিনবা লোইশিনবীয়ু, এক্যুজ অসিগী মথক্তা মরালগী মতুং ইন্না চপ চাবা এক্স অদু লৌখৎলু, ভিক্তিম ওইরিবী অঙাং অসিনা লায়েংবদা চঙগদবা শেনফম পুম্বা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অমদি রিমস হোস্পিটালনা পুথোক্কদবনি অমসুং ভিক্তিম ওইরিবী নুপীমচা অসিদা মহাক্কী তুংগী পুন্সিগী খল্লগা মতীক চাবা কম্পেন্সেসন পীগদবনি। হায়রিবা ৱাফমশিং অসি নুমিৎ ৪০ নিগী মনুংদা থবক্তা ওহ্লোপীদ্রবদি জে এ সি অসিনা লৈবাক মীয়াম অমদি তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা পুল্লগা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা হায়খি।

নাকল অমরোমদা, ঙসি এক্যুজ সুরজনা কোর্টতা পুথোকখ্রবা মতুংদা রিমসতা জে এ সিগী মীয়ান্না থোমজিল্লকপা য়াই হায়বা পাউ ফংবদগী রিমসকী মেইন গেট পুং ২ মুক পুলিসনা থিংজিনদুনা থল্লুরে। মমৈথংদা থোইদোকপা ইরাং লাক্তবদগী গেট অমুক হাংদোকখি হায়না রিমসতগী ফংবা পাউ অমনা হায়রি।

## চহী নৌরিবী অঙাং ফম্লানখিবা রিমসকী টেক্নিসিয়ান জেল য়ৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮(এস এন এস)ঃ
চহী নৌরিবী অঙাং ফম্লাল্লুবা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেডিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী ই সি জি টেক্নিসিয়ান থোকচোম সুরজ ঙসি লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট স্পিসিয়েল জজ পোক্সোদা পুথোকখিবগা লোয়ননা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক্তা নুমিৎ ১৫ নি জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ পীখ্রে।

এক্যুজ ওইরিবা কৈশামথোং মোইরাংনিংথৌ লৈরক্তা লৈবা কুল্লগী মচানুপা থোকচোম সুরজ (৩৬) ঙসি নুমিৎ ৫ নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লোইখিবগা লোয়ননা পুলিসকী অকনবা চেকশিন থৌরাং মরক্তা কোর্টতা পুথোকখিবনি।

কেস অসিগী আই এনা পীরকখিবা রিপোর্ট অদুনা পল্লিবদি, ভিক্তিম অদু হৌখিবা থা অসিগী ২ অমসুং ৩ গী লোন্নবা অহিংদা ফেভর অমসুং দাইসেন্ট্রি নাবদগী রিমস হোস্পিটালদা এদমিট তৌরবা মতুংদা ডোক্তরনা ই সি জি লৌনবা হায়রকপদগী ই সি জি লৌবা চঙবদা লেবোরেটরি মনুংদা টেক্নিসিয়ান অদুনা ফম্লানবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। লোয়ননা হীরম অসিগা মরী লৈননা ভিক্তিমগী অপোকপীনা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট থারকপদগী কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে।

কমপ্লেন্ট থারকপগা লোয়ননা পুলিসনা এক্যুজ অদু ফাগৎলবা মতুং কোর্টতা পুথোক্তুনা নুমিৎ ৫ নি পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখিবনি। ৱাহং পাউহং চত্থবদা থৌদোক অদু চত্থখি হায়বগী মরাল অদু এক্যুজ মশানা য়াজখি।

আই ওনা থাগৎখিবা রিপোর্ট অদুদা মখা তানা পল্লিবদি, এক্যুজ অদু থৌদোক থোকখিবা নুমিৎ অদুদা সেনিয়ার ডোক্তর অমগী লুহোংবা য়াওরুই অমদি য়ু থক্লকখি।

ভিক্তিম অদু মহাক্কী অপোকপীগা লোয়ননা ই সি জি লৌবা লাকখি। মদুদা মহাক্লা ভিক্তিমগী অপোকপী অদু লেবোরেটরিদা চঙহনখিদে অমদি ভিক্তিম অদুবু খক্তমক পুশিনখি। লোয়ননা ভিক্তিম অদুগী মমিৎ টাৱেল অমনা খুমজিন্দুনা নমদুনা ফম্লানবগী থৌদোক অদু চত্থখিবনি। মদুগী মথক্তা ভিক্তিম অদু মহাক্লা থবক অদু চত্থরবা মতুংদা মিনিট ৩০ রোম ই সি জি রুমদা থমখি।

রিমসকী ফোরেন্সিক দিপার্টমেন্টনসু ভিক্তিম অদুদা সেক্সুচুয়েল এসোল্ট চত্থখিবগী খুদম ফংবগী রিপোর্ট লৈরে মরম অদুনা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগী দিমান্দ জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ পীবিনবা আই ওনা পব্লিক প্রোজিকুটরগী খুত্থাংদা কোর্টতা থাগৎলকখিবা রিপোর্ট অদুনা মখা তানা পনখি।

লোয়ননা পি পিগী সবমিসন অদু কুপ্না খন্নরবা মতুংদা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবগী তঙাইফদবা লৈবদগী স্পিসিয়েল জজ পোক্সো ইম্ফাল ৱেষ্টনা ওক্টোবর ২২ ফাওবা নুমিৎ ১৫ নি পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পীথখিবনি।

## নম্ফুদা ইন্দিয়া শেমখিবগী মতৌদু জে এন কে দা ...

*লমায় ১গী মখা* মসিগা চপ মান্নবা কাশম্মীরি মীয়ান্নসু ইন্দিয়াদা পূনবা পামখিদে। য়ু এনগী ৱারেপ লৈখ্রবা কাশ্মীরগী প্লেবিসাইট পাঙথোকপদা ইন্দিয়া মায়থিগনি হায়বসি ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা পাউ খোল্লগা মখোয়গী লুচিংবশিংদা থমখিবা লৈখি। মসিনা মরম ওইরগা ঙসি ফাওবা য়ু এনগী ৱারেপ অদু জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা ইন্দিয়ানা থবক ওহ্লোক্তনা নমশিল্লগা থল্লক্লি হায়নসু মরাল শীরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হিন্দুনা মশীং য়াম্বা জোধপুর, ইন্দোর, জেসলমের হায়রিবা প্রিন্সেলি ষ্টেটশিংগী নিংথৌশিংনা পাকিস্তানগী লুচিংবা ওইগদৌরিবা মুহম্মদ অলি জিন্নাহগা উন্নদুনা পাকিস্তানদা তিল্লদি করি ফীভমদা তিনবা য়াদগে হায়না ৱারী শাখি। ট্রাভেনকোর অমসুং হায়দরবাদ অনীদি পাকিস্তানগা নকশিন্নবা পামখি অমসুং মনীংতম্বা লৈবাক ওইগনি হায়না লাউথোকখি। হিন্দু নিংথৌশিং অমদি হিন্দুনা মশীং য়াম্না লৈবা প্রিন্সেলি ষ্টেটশিংনা পাকিস্তানগা শন্ননিংবা অমসুং মনীংতম্বা লৈবাক ওইনা লৈনিংবগী ৱাখল্লোন থোরকপা অসিনা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংগী ৱাখলদা অকনবা চৈফু অমা ফুবা হৌখি। মসিনা মরম ওইরগা নিংথৌ পানবা লৈবাকশিংবু ইন্দিয়ানা অঙম্বা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা ইন্দিয়াগী খুবামনুংদা থন্নবা লম্বী থিখি।

নিংথৌশিংবু মপূক্লীং ওলহন্নবা ইন্স্ট্রুমেন্ট ওফ এসেসন (আই ও এ) দা ইরিবা ফোরেন এফিয়ার্স, দিফেন্স অমসুং কম্যুনিকেসন হীরম অহুমসিদা ইন্দিয়াদা পূনগদবনি অতৈ হীরমশিংদা পূনহল্লোই হায়না গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ওফিসিয়েল পোলিসি ওইনা কুমজা ১৯৪৭ গী জুলাই ৫ দা লাউথোকখি। মসিদা নত্তনা নিংথৌগী অকক্লবা শেল-থুম পীথবা, মরন-মথুম মাগী ওইহন্দুনা মহাক্কী ফীভম ঙাক্লবা ‘প্রাইভি পরসেস’ শেমগনি হায়না খোইচাক থাবসু হৌখি হায়রি।

ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা অথোৎপা অমসুং অকনবা পাম্বৈ কয়া শীজিন্নদুনা প্রিন্সিলি ষ্টেটস ৫৬২ রোমগী য়ানচে ওইখিবা ইন্সট্রুমেন্ট ওফ এসেসন (আই ও এ) বু জুন থাদগী ওগষ্ট ১৫, ১৯৪৭ ফাওবগী খুৎয়েক লৌবা ঙমখি। মতুং তারকপদা প্রিন্সিলি ষ্টেট খরসু আই ও এগী খুত্থাংদা ইন্দিয়াদা তিনবা পান্নখিবনা ইন্দিয়াগী শক্তমদা ‘য়ুনিয়ন ওফ ষ্টেটস’ ওইহনবা মথৌ তাখি। নীং-খা তম্বা লৈবাক অনী ইন্দিয়া অমসুং জম্মু কাশ্মীরনা কুমজা ১৯৪৭ গী ওক্টোবর ২৬ তা আই ও এ ইনখিদুনা আর্টিকল ৩৭০ গী য়ুন্ফম থোন্দুনা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্কী শক্তমদা ফেদরেলিজমগী মমি তাহনখি। হায়রিবা আর্টিকল অসিনা আই ও এ বু ইকায়খুন্নবা অমসুং ইন্দিয়া কন্সটিট্যুসননা আই ও এবু মশক খঙলে তাকখি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

চেরোল অসিনা হায়, কাঙলোন থুগায়রগা, লান্মী থাজিন্দুনা মীয়ামগী লুচিংবশিংবু ফাজিল্লগা হনদক্তা আর্টিকল ৩৭০ বু চৎনবা য়াদবগী ৱারেপ-য়াথং থমদুনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনী থোক্লা খায়দোকখি। মনীং তমনিংবা লৈবাক কয়াগী নিংথৌ ফাজিল্লগা নমফুদা ইন্দিয়া শেমখিবগী হৈনবী অদু জম্মু কাশ্মীরগী নিংথৌ অমসুং অঙম অথৌশিংদা ১৯৪৭-৪৮ তা তৌহৌদ্রে হায়দুনা নৌহৌননা অরানবা পাম্বৈনা ইন্দিয়া শেমখিবগী পুৱারীদু কাম্থোকপা য়াদে খল্লগা মকোক্তগী অমুক নৌহৌননা হৌরকপনি।

নিংথৌনা লৈঙাক চুপ্পি পুল্লপ পায়শিনবদৌনা ঙসিগী ইন্দিয়ান গভর্ণমেন্টনা মনিং তম্না লৈঙাক চুপলি পায়নবা সি বি আই, ই দি, এন আই এ, সুপ্রিম কোর্টপু মখোয়গী খুৎচাবী ওইনা লৈহন্নবা থৌরাং কয়া তৌরি। হৌজিক্তি ইন্দিয়াদা লো অনী লৈ, লো অমনা মীচম অমদি পোলিটিকেল ওপোজিসন খঙববু নমশিন্নবনি, অমনা লৈঙাক পায়রিবা পার্টিগী লুচিংবশিংগী পাঙ্গল হেলহন্নবনি হায়নসু মরাল শীরি।

*ইন্দিয়াগী মরুমদা অরোনবা ভারত লৈপাক* হায়বা হেদলাইনগী মখাদা ফোঙদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়া হায়রগা অমুকসু ভারত হায়না অতেনবা ৱাহন্থোক পীরিবা ইন্দিয়া কন্সটিট্যুসননা ভারতকী ৱাহন্থোকপু লোৎশিল্লগা মীয়ামবু চমন্ননা থল্লি। অদুবু ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংদদি চমন্নবা নত্তে। ‘আইদিয়া ওফ ইন্দিয়া’ দা লোন্না থুপ্না কোলশিল্লবা ‘পুরানিক ভারত’ হায়বদি অখান্দ ভারত (গ্রেটর ইন্দিয়া) অদুনি হায়বসি ইন্দিয়া লুচিংবশিংনা শেংনা খঙই। লৈবাক্কী মিং অনী থোল্লসু লৈঙাক্কী পাঙ্গলদি ‘য়ুনিয়ন ওফ ষ্টেটস’ গী কাঙলোন কয়া থুগায়দুনা অমত্তা ওইনা শুপচল্লগা সেন্টরনা পায়শিল্লিবনি।

ইন্দিয়া কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩ গী পাঙ্গলনা ষ্টেটশিংবু থুগায়বা ঙম্মী, নাকল অমদনা ‘পুরানিক ভারত’ কী পাক-চাউরবা ঙমখৈ ফংনবা আর্টিকল ২ না পাঙ্গল হাপ্লি। মতম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নেহরুনা লান্মী শীজিন্নদুনা ঙমখৈ পাকথোক্লবা, য়ুগ্লোন্নরিবা লৈবাক্কী লমশিংবু লৌশিন্নবগী পোরম য়াৎখিবা ‘ফোরৱার্দ পোলিসি’ অদুবু ‘পুরানিক ভারত’ হায়রিবা অরোনবা লৈবাক অসিগী পান্দমনি। অরানবদা য়ুন্ফম ওইখিবা ‘ফোরৱার্দ পোলিসি’ অসিনা ইন্দো-চিনা ৱার ১৯৬২ দা চিনাগী খুৎতা ইকায়নিঙাই ওইবা মওংদা ইন্দিয়া মায়থিবা ফংখি। য়ান্না ঙকপা ৱাফমদি মণিপবুরগী ঙমখৈবুদি নেহরুগী ফোরৱার্দ পোলিসি অসিনা কোলশিনখিদবা অসিনি হায়রি।

য়ুরোপিয়ানশিংনা ১৯ সেঞ্চুরিদা ইখিবা লাইহিরকশিংদা ইন্দিয়া হায়বসি লৈবাক অমা ওইনা লৈবা নত্তে অদুনা সিভিলাইজেসনসু অমখক্তা ওইখিদে। অপূনবা অমত্তা ওইনা লৈখিবা মানখিবনি অমত্তা ওইনা লৈখিবা নত্তে হায়না ফোঙদোকখি। বৃটিশ লোই চন্না অপূনবা ইন্দিয়া হায়বা ‘ৱান নেসন’ অসি খুদোং তমখিবনি হায়বসি অচুম্বনি। বৃটিশনা ইন্দিয়া লৌশিনখিবগী পান্দমদি ইকোনোমিক্স ইন্টরেষ্টনা মরু ওইখি। অদুবু ইন্দিয়ানা মণিপুর লৌশিনখিবগী পান্দমদি মহৌশাগী লনগৈ লৌথোকপা ঙন্নবা শাংখ্রবা চাউৎলোনবু মরু ফুক্তোক্তুনা লানবন ওইনা থন্নবগীনি হায়নসু মখা তারি।

মতম অসিদা হায়জনীংইবদি বৃটিশনা খুদোল তমখিবা ইন্দিয়াগী ওইনদি মশাগী ওইবা অপূনবা পুৱারী লৈরকখিদবনা ঙসিদি ইন্দিয়াগী ফাদরসি অনী শুখ্রে। অহানবদা মহাত্মা গান্ধী, অনীশুবদা নরেন্দ্র মোদিনা ওইখ্রে। নরেন্দ্র মোদিবু ফাদর ওফ ইন্দিয়ানি হায়না য়ু এস এ প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মিংথোল পীখ্রে। লৈবাক্কী মপা অনী লৈবা, লৈবাক্কী মমিংসু অরোনবা অমা থম্বা অসিগুম্বা ইন্দিয়াগী লৈঙাক-লিচৎতা ঐখোয়না থাজফম থোক্তে হায়রি।

কিন্থরক্লিবা হৌজিক্কী মণিপুর হায়বা সব হেদলাইনগী মখাদা চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়াগী ফিবানুংদা লৈরক্লিবা শাংখ্রবা চহী অসিদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইখিবা এম এল এ, মিনিষ্টর অমদি চীফ মিনিষ্টর অমত্তবু কমরেদ ইরাবতকী থাক্তা মীয়ামনা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা ইকায় খুম্নবা লৈতে হায়বসি খঙজনবগী মতম য়ৌরবনি। মতম অমদা ইন্দিয়াদা ঙাওজখিবা লুচিংবশিংদু দিল্লিনা নীংশিং থৌরম তৌবিখিবা লৈখিদে, লৈশু লৈরোই হায়বসিসু খঙখি।

ইন্দিয়াগী ফিবালনুংদা লৈরকপনা শেনমীৎকী ফিভমদা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বগী য়ুম্ফম লৌথোকখ্রে। হিংনবগী পোৎলুম পূন্নমক মীতোপ মীয়ানচাশিংনা খুৎপায় চেৎনা পায়ররগা কৈথেলগী কাঙলোন থুগায়দুনা খুদুম চল্লগা থল্লি। হিন্দী লোল ঙাংবা ষ্টেটশিংগী মীখলদা শেঞ্জাও থাদবা, ফুরুপ অমদি কাঙলুপ মচেৎ থুগায়রগা ভোট কানবগী পোরম য়াৎপশিংদুগী মতৌ তম্লক্লি। পোলিটিক্সকী ফৎত্রবা ৱাহন্থোক ওইরিবা “উপায় অমা তৌরগা ভোট কানবা হোৎনবা” হায়বা ৱাখল্লোন অসি ফোঙনা তৌনরক্লি। মীখা পোলহনবদগী ওইরকপা ‘মীপান তাঙবগী’ হৈনবী লায়না অসিনা হৌজিক্তি অমুক মতম শাংনা লোয়চন মপুগা তিন্নরুবনা অচুম অরান খঙদনা মখোয়দা মীনুংশি থম্বগী ৱাখল হোংহনবা ষ্টোকহোলম সিন্দ্রোম গী লায়না ওহল্লক্লে। মসিগুম্বা পূক্লিং শোন্থহনবা ইথিল অসি তুংলমচৎকী ওইনা য়াম্না মীপায়নিঙাইনি হায়রি।

(মখা লমায় ৬ তা....)

## মালেমগী ওইনা সেকেন্দ ৪০ খুদিংগী মী অমমম মশা মতোমতা শিজৈঃ ডা এস গোজেন্দ্র

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮(এস এন এস)ঃ
মালেমগী ওইনা সুইসাইদ (মশা মতোমতা শিজবা) কী চাং অসি অদুক্কী মতীক ৱাংই। মালেমগী ওইবা দাটাগী মতুং ইন্না সেকেন্দ ৪০ খুদিংগী মী অমমমদি মশা মতোমতা শিজৈ হায়না ইন্দিয়ান সাইকিএট্রিক সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ হোনোরেরি সেক্রেটরী ডা. এস গোজেন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নেস্নেল মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রাম, এন ঐচ এম মণিপুর, ইন্দিয়ান সাইকিএট্রিক সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ অমসুং ৱি কেয়ার কাউন্সেল্লিং সেন্টরনা পূন্না শীন্দুনা রোল ওফ দিফরেন্ট ষ্ট্রেকহোল্ডর ইন সুইসাইদ প্রেভেন্সন হায়বা হীরম অসিদা পাঙথোকপা ষ্টেট লেভেল ওপন সিম্পোজিয়ম কম্পিটিসনগা মরী লৈননা সাইকিএট্রিক ডা. এস গোজেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবনি।

ইম্ফালগী চীংমৈরোংদা লৈবা অদিম জাতি কমপ্লেক্সকী এমিটি হোলদা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়খি, চহী খুদিংগী ওক্টোবর ১০ অসি মালেমগী ওইনা ৱার্ল্ড মেন্টেল হেল্থ দেগী থৌরম মালেমগী মফম খুদিংদা পাঙথোক্লি। চহী অসিগী ওইনসু ওক্টোবর ১০ অসিদা সুইসাইদ প্রিভেন্সন হায়বা থিম অসিদা থৌরম অসি পাঙথোক্কদৌরি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়ান সাইকিএট্রিক সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা অতোপ্পা ওর্গনাইজেসন কয়াগা খুৎশন্নদুনা মীয়ামদা মতৌ করম্না মশা মথন্তা শিজবদগী ঙাকথোক্কদগে হায়বসিগী মতাংদা এৱার্নেস কয়া পীনবা হোৎনরি।

ঙসিসু ৱার্ল্ড মেন্টেল হেল্থ দে অসিগা মরী লৈননা ষ্টেটকী থাক্তা সিম্পোজিয়ম কম্পিটিসন অসি শীঞ্জবনি। মসি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা অঙাং ময়াম অসিদা সুইসাইদ থিংনবগী এৱার্নেস পীনবগী পানদমদা পাঙথোকপনি। সুইসাইদ হায়বসি ডোক্তর খক্তনা, ফিজেলোজিষ্ট খক্তনা নৎত্রগা এন জি ও খক্তনা থিংবা ঙম্লোই। মালেমগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা মেন্টেল হেল্থ দে থৌরম অসিগা মরী লৈননা ওক্টোবরগী তাং ১০ ফাওবা সুইসাইদকী মতাংদা মীয়ামদা এৱার্নেস পীনবা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াসু ইন্দিয়া সাইকিএট্রিক সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা পাঙথোক্কনি।

সুইসাইদকী কোর্স অসি কুপ্না থিজিল্লুবদা দিপ্রেসননা মরম ওইরগা পূক্লীং ৱাখল শোন্থবদগী অনম্বা ওইগল্লি। দিপ্রেসনসি মপূং ফানা ঙাকথোকপা ঙম্নবদি সুইসাইদ অসি মপূং ফানা ঙাকথোকপা ঙমগনি। মরম অদুনা মীয়ামদা সুইসাইদ থিংনবগী মরমদা মপূং ফাবা এমৱার্নেস পীবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

ষ্টেট লেভেল সিম্পোজিয়ম কম্পিটিটর অদুদা কম্পিটিসন ৩৬ না শরুক য়াদুনা রোল ওফ দিফরেন্ট ষ্টেকহোল্ডর ইন সুইসাইদ প্রিভেন্সনগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

## মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা অনুগা ২০১৯ দা শরুক য়াখ্রে

ইম্ফাল,ওক্টোবর ৮ (এসএন এস)ঃ
জর্ম্মনিগী কোলোনদা পাঙথোক্লিবা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা চিঞ্জাক্কী ত্রেদ ফেয়ার অমা ওইরিবা অনুগা ২০১৯ দা মণিপুর লৈঙাক্কী হোর্টিকিলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা শরুক য়াখ্রে।

হৌখিবা ওক্টোবর ৫দগী হৌরগা ৯ ফাওবা চত্থগদবা চহী অনী অনী কান্নরগা পাঙথোকপা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা চিঞ্জাককী ফেয়ার অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসিয়েলশিংসু মিনিষ্টরগা লোয়ননা শরুক য়ামিন্নরি।

মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুারনা হায়, পাঙথোক্লিবা চিঞ্জাক্কী ত্রেদ ফেয়ার অসিদা মালেমগী লৈবাক কয়াদগী ওর্গানিক ওইবা সর্টিফাইদ তৌরবা মখল কয়াগী চিঞ্জাক কয়া ফংলি।

ফেষ্টিভেল অসিনা মীওইবগী হ্যুমেন ভেল্যু অসি কয়াগী মতিক ৱাংবগে হায়বদু খঙবা ঙম্মী। মসিদা ঐখোয়গী ষ্টেট মণিপুর অসিদসু অসিগুম্বা পোথোকশিং অসি পুথোক্লবা লৌমীশিং অমসুং অসিগুম্বা পোৎলমশিং য়োল্লিবা ব্যুজিনেসমেনশিং অসি তান্নরগা করম্বা মওংদা হেন্না ফবা চিঞ্জাকশিং পুথোক্লবা হোৎনগদগে হায়বদু চীফ মিনিষ্টরগা তান্নরগা থবক লৌখৎনবা হোৎনগনি হায়খি।

## কানি কেজি ১০গা কোন্ননা মীওই ২ ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮(এস এন এস)ঃ
নার্কোটিক এফিয়ার্স ওফ বোর্দর (এন এ বি) মণিপুরনা ঙরাং নুংথিল পুং ৪.১০ রোম তাবা মতমদা পাউ অমা ফংবদগী থবক লৌখৎপদা দ্রগ লল্লোনবা মীওই অনী কানি কে জি ১০গা কোন্ননা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তাময়েং লামখাইদগী ফারে।

ফারবা মীওই অনী অদুদি চানেদল দিষ্ট্রিক্টকী তুইশামফাই ভিল্লেজদগী থাংজালেট খোঙসাই (৩৪) অপোকপা হোলখোলেন অমদি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী টি টুইনোম ভিল্লেজদগী তোংজাহাও দোঙ্গেল (২৯) অপোকপা মাংসৈ দোঙ্গেলনি। মখোয় অনীগী মথক্তা এন এ বি পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

## দ্রগ ললোনবা সাহবুদ্দিন চহী ১৩ ফাদোক ...

*লমায় ১গী মখা* ...সেন্টেন্স হিয়ারিং অদু চত্থখিবনি।

ঙসি চত্থখিবা সেন্টেন্স হিয়ারিং অদুদা স্পিসিয়েল পব্লিক প্রোজিক্যুটরনা থাগৎলকখিবা রিপোর্ট অদুনা পল্লিবদি, কনভিক্ট অদুনা য়াম্লবা ময়াই কাবা দ্রগ পুশিল্লকখিবা অদুনা মরু ওইনা হৌগৎলক্লিবা নহা অমদি মীয়ামগী হকশেল শোকহনবা য়াবা মরমনা এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ২১(সি)গী মখাদা খ্বায়দগী য়াম্না ফাইন থিহনবা অমসুং এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ২২ (বি) গী মখাদা খ্বায়দগী শাংবা মতমগী ফাদোক পীগদবনি।

অমরোমদা দিফেন্স কাউন্সেলগী মায়কৈদগী থাগৎলকখিবা রিপোর্ট অদুদা পল্লিবদি, কনভিক্ট অদু য়ূম পানদুনা ইমুং পুরিবা মীওইনি অমদি মহাক্লা ময়াই কাবা দ্রগ ওইরবসু অহানবা ওইনা পুরক্পনা মীনুংশি য়েংলগা খ্বায়দগী য়ামদবা অমসুং খ্বায়দগী তেনবা ফাদোক পীনবা প্রে তৌখি।

নাকল অনীমক্কী সবমিসন কুপ্না খন্নরবা মতুংদা কনভিক্ট অদু এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ২১(সি) গী মখাদা চহী ১৩ ফাদোক অমদি ফাইন ওইনা লুপা ১,৩০,০০০ থিহনবা অমদি এন এস এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ২২(বি) গী মখাদা চহী ৭ ফাদোক অমদি ফাইন ওইনা লুপা ৭০,০০০ থিনবা খঙহনখিবনি।

ওর্দর অদুদা মখা তানা পল্লিবদি, হায়রিবা লুপা লাক্ষ ২ গী ফাইন অদু থা ৪ গী মনুংদা থিদ্রবদি ফাদোক্কী মতম অদু চহী ২ শাংদোক্কদবনি।

লোয়ননা ফাদোক্কী মতম অদুদগী মহাক্লা জুদিসিয়েল কষ্টদিদা লৈরকখিবা চহী ১১ গা নুমিৎ ১৫ হেন্দোক্লবা ওর্দর অদুনা মখা তাখিবনি।

## ক্কাক তানবগী...

*লমায় ১গী মখা*... অসি ঐখোয় খুদিংমক্লা লৈবাক্কী ওইবা থৌরম্নি খনবিরগা থৌরম অসিবু শরুক য়াদুনা হেন্না হেন্না মপুং ফাহনবিয়ু। লোয়ননা তুংগী মীরোলদা থৌরম অসি নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অসি খঙহনবদা মতেং পাঙবিয়ু হায়নসু নিংথৌনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## বি জে পিনা নোর্থ ইষ্টকী য়েলহৌমীশিং মাঙহন্নবা ...

*লমায় ১গী মখা* ...নত্তবা অতৈ ফুরুপশিং চংহনবা য়ানবা থৌশিল চত্থরকপনি।

হিন্দি অসি ওফিসিয়েল ওইবা লৈবাক অসিগী লোলনি হায়বা খঙনরবসু মসিবু শোয়দনা ঙাঙহন্নবা থবক লৌ-খৎলকপা অসি তরাইনা লৌবা চুম্লোই। মুস্লিমশিং অসি লৈরবদি হিন্দুরাষ্ট্রগী মঙলান অসি মঙফাওনররোই হায়বগী ৱাখলদা মুস্লিমশিংবু নমথদুনা থল্লিবনি। লৈঙাক অসিদি মকোক্তগী অশোয়বা কয়ানা থল্লবা লৈঙাক অমা ওইরে।

মহাত্মা গান্ধীবু তুংগী মীরোলনা নীংশিংদুনা মহাক্কী কখোকপা অমসুং খাঙবা কনবা থৌনা অদু তুংগী মীরোলদা য়ৌহন্নবা পান্দমদা সেমিনার অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

থৌরম অদুদা এম পি সি সিগী সেক্রেটরী এদমিনিষ্ট্রেসন এস জিটেননা হায়, মহাত্মা গান্ধীগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা হৌখিবা ওক্টোবর ৩ দগী ৯ ফাওবা অসি তোঙান তোঙানবা ব্লোক কোংগ্রেসনা শীন্দুনা মহাক্কী পুন্সি অমসুং ফিলোসোফিগী মতাংদা সেমিনার পাঙথোক্তুনা তুংগী মীরোলদা মহাত্মা গান্ধীবু হেন্না নীংশিং হৌনবা খোঙজং অমা চঙশিল্লক্লি।

মহাক্কী নন ভাইওলেন্সকী থৌশিলনা ইন্দিয়াবু বৃটিশকী মখুত্তগী নীংতম্বা পুরকখিবনি। মহাত্মা গান্ধীনা খুন্নাই অসিবু মান্নবা থাক অমদা পুরক্লবা হোৎনদুনা লাকখি।

মহাক্কী ৱাখলোন অসিবু মালেমগী লৈবাকশিংনা খঙলকপদগী মহাক্কী মপোক নুমিৎ অসিবু ইন্টরনেস্নেল দে ওফ ননভাইওলেন্স হায়না পালন তৌদুনা লাক্লি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি পোলিটিক্স তৌবদা এদুকেস্নেল ক্কালিফিকেসন লেপথোকপা লৈত্রি। অদুবু মীওই অদু ৱাখল চোইবা অমসুং ৱাখল তাদবা মীওই অমদি ওইবা য়াদে হায়বা লেপথোক্তুনা লৈরিবনি হায়খি।

লৈবাক্কী লো শেন্বা মতমদা শেল পায়রে হায়দুনা নম্ফু হাফুদা ভোট কারগা মদুগী চন্নফম লৈরক্লোই। মরম অসিনা মীহুৎ থাগৎপা মতমদা এদুকেস্নেল ক্কালিফিকেসন খঙবা মীওইদা মতিক ময়াই শিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা নাউরিয়া পাখঙলকপা ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট এস চাউবা, দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিতি ইম্ফাল ৱেষ্ট টুগী প্রসিদেন্ট নামৈরাকপম নিমাই, থবক্তগী পোথারবা আই এফ সি দিগী এক্সিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়ার পুখ্রম্বম ইঙোচা সিংহসু শরুক য়াখি।

## কৈন্য কৎপদা ...

*লমায় ১গী মখা*উপোকপি খুনৌ ৱার্দ নম্বর ১০দগী নিংথৌজম সুন্দরি দেবী (৪০) মপুরোইবা এন বিমোল সিংহ, লৈকাই অসিদগী সলাম মনিসনা সিংহ (৩৫) অপোকপা জুগিন সিংহ, খা পোৎশঙবম মমাঙ লৈকাই ৱার্দ নম্বর ৭তগী পোৎশঙবম হেমচন্দ্র সিংহ (৩৭) অপোকপা সুরনজয় সিংহ, খা পোৎশঙবম ময়াই লৈকাই ৱার্দ নম্বর ৮দগী কাঙবম ইনাওচা দেবী (৪৬) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা কাঙবম সরতচন্দ্র সিংহ অমদি থৌদোক অদুবু কেমেরা কাপখিবা উপোকপী খুনৌদগী ৱার্দ নম্বর ১০দগী ওইনাম প্রেমকুমার সিংহ (৩৬) অপোকপা থোইবা সিংহনি। হায়রিবা মীওই ১১ অসিগী মথক্তা থৌদোকসিদা চেন্নবনি হায়বা মীওই ৩ অমসু ঙসি পুলিসনা ফারে। ফারবা মীওই ৩ অদুদি খা পোৎশঙবমদগী নিংথৌজম তোম্বী দেবী (৪৫) মপুরোইবা ইবোহল, লৈকাই অসিদগী মাইবম মেমচা দেবী এলাইজ উথোপ মেমচা মপুরোইবা ইবোমচা অমদি খা পোৎশঙবম ৱার্দ নম্বর ৭তগী পুখ্রম্বম সুশিলা দেবী (৪৯) অপোকপা পি ইবোচৌ সিংহনি।

মীওই অহুম অসি থারগা পুন্না মীওই ১৪ চীফ জুদিসিয়েল মাজিষ্ট্রেট বিষ্ণুপুরদা পুথোক্লবা মতুং পুলিস কষ্টদিদা নুমিৎ ৭নি রিমান্দ পীখ্রে।

## ফুট ওভর ব্রিজগী শেমগৎ শাগৎপগী থবক ...

*লমায় ১গী মখা*... লুপা ক্রোর ৬০ হাপ্লে। লোয়ননা অতোপ্পা নাকল অদুগী শেমগৎনবগীদমক লুপা ক্রোর ৩০ অমসু হাপ্লে হায়খি।

মণিপুর অসি অনৌবা মায়ওন অমদা চঙশিল্লকপা মীয়াম্না উরি। মমাঙগী লৈঙাক্কী মতমদা পায়খৎলম্বা ইম্ফাল সিটি রিং রোদ অসি মখা তানা লৈঙাক্লা পীফম থোকপা কম্পেন্সে-সননচিংবা অদু পীদুনা তৌদবা য়াদবা থবক অমা ওইনা লৌদুনা য়ান্নচেরোল অমা নবেম্বর থাদা খুৎয়েক পীনরগনি।

মসিদা নত্তনা মণিপুর ষ্টেট রোদ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা লুপা ক্রোর ২৩৫০গী শেনফম নভেম্বর থাদা ফংলগনি হায়খি। মসিগী শেনফম অসিনা চীং অমসুং তমগী লম্বীশিং শেমগৎনবা হোৎনরগনি হায়খি।

মহাক্লা হায়, ইম্ফাল মনুংদা মী চিনবগী চাং হেনগৎলকপা অসি য়েংলগা ইম্ফাল সিটি মনুংদা ইলিভেটেদ হায়ৱে শেমগৎনবা থৌরাং লৈরে। মসিগী কন্সলটেন্সি হাপ্লবা টেন্দর লোইখ্রে।

হায়রিবা লম্বী অসি এম য়ুদগী হৌরগা কোইরেঙ্গৈ ফাওবা চৎকনি। অতোপ্পা অমনা নিত্যাইপাট চুথেক্তগী খায়দোক্লগা এয়ারপোর্টতা তাগনি হায়খি।

## মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট ১৯৪৯ অমসুং মণিপুরী ফুরুপকী ...

*লমায় ১গী মখা*...অদুদগী মণিপুরগী রাজনীটিগী ফিদা অসি নীংতম্বা লৈবাক অমা ওসরম্বগী চাউথোকচবা অদু মাঙখ্রগা ঙসি ফাওবা দিল্লিনা লৈঙাকপা পার্ট-সিগী থাক্তা লৈরক্লি হায়রদুনা পূন্নমক অসিগী পেন্দবা অদু ঐখোয় মীয়ামদা ঙসি ফাওবা লৈরি। মালেমগী খ্বায়দগী চাউবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি হায়রবসু ঙসি ঐখোয় মণিপুরগী মীয়ান্না লৈবাক অসিগী সিটিজেন অমা ওইবগী ফংফম থোকপা দেমোক্রেসিনা পীরিবশিং অদু ফংবা ঙম্লবরা। মীওইবনা হিংবদা তঙাইফদনা চঙলিবা পোৎচঙশিং ফংলবরা। অফবা থক্লবা ঈশিং ফংলবরা, মতমগা চুন্নবা লম্বী- থোং লৈরবরা। শেনমীৎলোন ফগাৎনবা করি করি থৌরাং পায়খৎলিবগে। লৈকাই লৈকাই অমদি খুল খুলশিংদা হকশেলগা মরী লৈননা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবশিং ফংবা লৈরবরা। পেন্দবা কয়াদুনা মরম ওইরগা মণিপুরী মীয়ান্ন ইতিহাসকী থৌদোক অমদা হঞ্জিন-হঞ্জিন খুদেম্বি থিন্দুনা মণিপুরনা লানখিবা অসি মসিরা হায়না হংনরি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খিবদা, পেন্দবা অমসুং অকিবা অসিনা মরম ওইদুনা রাজনীটিগী লমচৎতা তোঙান তোঙানবা শক্তম কয়া ঐখোয়না থেংনরি। মসিদগী শাগৎখিবা মীয়ামগী ঈহৌ কয়াবু লাকশিন্নবা ঙসি ফাওবা ইন্দিয়ানা অকনবা শাফু কয়া পীদুনা লাক্লি। মসি পূন্নমক অসি লিশাং শিৎনা চত্থরকপা ইতিহাসকী পরিং অমগী মহয়নি। অফস্পা, ১৯৫৮ থমজিন্দুনা মীওৎ-মীনৈ কয়া চত্থদুনা মীওই অমবু হেক্তা হাৎতোকপীবা, নুপী-অঙাং কয়া লুখ্রা শীংদা চলহনখিবা অমদি নুপী ওইবী কয়াগী ইজৎ তেমশিনবীখিবা শাথিরবা এক্ট অসি থমজিন্দুনা লাক্লি। মালেমগী লৈবাক কয়ানা কিনরিবা নোর্থ কোরিয়া হায়রিবা লৈবাক অদুদা ফাওবা অফস্পাগুম্বা এক্ট অমা ফাওবা চৎনবা লৈতে। অদুদসু নত্তনা ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর ওইরম্বা চিন্দম্বরমনসু মহাক্কী আর্টিকল অমদি অফস্পা এক্ট চাউখৎলক্লিবা লৈবাক অমদা য়ান্না চুন্নদবা চৎননিঙাই ওইদবা এক্ট অমনি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টরগী রিপোর্টতা লৈবাক অসিগী লানহৌবগী ইরাং খ্বায়দগী লৈবদি সেন্ট্রেল ইন্দিয়া (ছটিসগর, ওদ্দিশ, মধ্যা প্রদেশ, মহারাষ্ট্রা, অন্ধ্রনচিংবা রেদ সারকল হায়না খঙনবা) দা নাক্সালগী লানহৌ অসিনা হায়না পল্লি। অদুবু মফমশিং অসিদদি অফস্পা এক্ট অসি থমদে অদুগা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং অমদি জম্মু কাশ্মীরদনা অসিগুম্বা দ্রাকোনিয়ান এক্ট অসিবু চল্লাইদুনা চহী লীশাং কয়া মীওইবগী হক খোঙ্গোইনবগী থবক চত্থদুনা লাক্লি। লৈবাক অসিনা লৈবাক অসিগী সিটিজেনবু মখল অনী থোক্ল অমনা ফুবা হাৎপা তৌরোইদবা অমা অদুগা অমনা ফুবা হাৎপা, মীওই-মীনৈ চত্থবদা নুপী অঙাংগী ইজৎ তেমশিংনবদা কেস লৈতে। থিজিল্লোই খায়দোক্তুনা হায়বসি অফস্পা এক্ট অসিনা খুদম চাংদমনি। অদুবু মরিপুরগা ইন্দিয়াগা অনীগী মরক্তা ইনখিবা য়ান- চেরোল অদু অমুক নৌহৌননা য়েংবা চঙই অমদি মর্জর এগ্রীমেন্ট অদুবু মমুৎ তানা নৈনবা ঙসি পাঙথোক্লিবা অসিগুম্লবা পব্লিক দিস্কসসন অমদি এৱার্নেসকী থৌরম তেইনা শীনবসু দরকার ওইরিসু হায়খি।

কুমজা ১৯৪৯ গী থৌদোক পরিং অদু ঐখোয়না মশক মুন্না খঙদুনা হৌজিক ঐখোয় করি থৌদাং লৌফম থোকপগে হায়বগী অচৌবা ৱাহং ঙসিদি থোক্লক্লে। ইরমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ ফুরুপ খুদিংমক অমত্তা ওইবগী ইমোস্নেল ইন্টিগ্রেটি শাগৎতুনা ৱাইখুগী মতৌগুম্না অমনা অমবু চিংথনবগী ৱাখল্লোন অদু থাদোক্লদুনা তুংগী ওইরক্কদৌবশিং অদুগী মতাংদা অপূনবগী ৱাখল্লোন শাগৎমীন্নদুনা অপূনবগী ফীরেপ অমা লৌমীন্নহৌবগী মতম অদু য়ৌরক্লবনি। অদুঙৈ শোক্লখিবা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাউ অদুগী লান লোইশিনখিবা মফম অসি ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসিদনি। চহী খরগী তুংদা মালেমগী শক্তি লৈবা লৈবাক অমা ওইরগনি হায়না খন্নরিবা চিনাগা শেন্মীৎলোনগী চাউখৎ লমজেল তান্নরকপা মতমদা মণিপুর অসি অদুঙৈ অনীশুবা লাঞ্জাউ লোইশিনখিবা মফম অদুগুম্না নোংপোক থোঙ হাংদুনা লৈবাক কয়াগী মরু ওইবা মফম অমা ওইরক্কনি হায়না অখঙ-অহে কয়ানা ফোঙদোক্লবসু লৈরে।

হৌজিক চহী খরগী মতুংদা জিরি-টুপুল রেলৱে য়ৌরক্লগনি। মথং মথং ইম্ফাল অমদি মোরে য়ৌথিদুনা এসিয়াগী লৈবাক কয়াগা শেমগদৌরি। মতম অদুদা ওইরক্কদবা ইরমদম অসিগী শক্তম অদু ঐখোয়না ঙসি হেক্তা তরাইনা খন্দোক্তুনা লৈথোকপা চুমদে। ঐখোয় কাঙলূপ খুদিংমক পূনশিন্দুনা অপূনবগী ৱাখল্লোন অমা শাগৎহৌবা তঙাইফদে। অমনা অমবু চিংথনদুনা মচেৎ মচেৎ তানা শেগায়নদুনা লৈরবদি মতম অদুদা ঐখোয় পূম্বা হিজাও অমা ঈরাক্লবদা মদুদা তোঙলিবা মীওইশিংগুম মৈতৈ, নাগা, কুকি, মৈতৈ-পাঙল হায়বা খক্তনা ঈরাক্লদুনা লুপখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙমখৈ কায়হন্দনা থমগনি হায়রগসু লৈবাক মনুংদা মচেৎ কয়া থোক্লা থুগায়দুনা কাঙলূপ অমগা অমগগী মরক্তা মচেৎ কয়া থোক্লা থুগায়রক্কদৌবগী মমি অমা ঙসিদি উরে হায়রদুনা পূন্নমক অসি মাঙদা থল্লগা মণিপুরগী অরোইবা মশক থোক্লম্বা থৌদোক অমা ওইনা ঐখোয়না কুমজা ১৯৪৯ গী থৌদোকশিং য়েংশিনবা, নৈনবা অমসুং খঙমিন্নবা